# কুমজা ২০২১দা ইন্দিয়া-চাইনাগী লল্লোন ইতিক দোল্লর বিলিয়ন ১২৫ য়ৌনা চাউখৎখি



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী বাইলেটরেল লল্লোন-ইতিক্কী ভোল্যুম কুমজা ২০২১দা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১০০ লান্দুনা রেকোর্দ অমা ওইখি হায়বসি ইরাই নুমীৎতা ওফিসল দেটা অমনা উৎখ্রে।

ইষ্টর্ন লদাখতা লৈবাক অনীগী মিলিটরিশিংনা মতম শাংনা মুক্ক দুনা লৈবদগী লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লক্লিঙৈদা লল্লোন-ইতিক্কী লমদদি রেকোর্দ ওইবা মওংদা চাউখৎখিবনি।

ওফিসল দেটা অদুগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ট্রেদ দেফিসিট য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৬৯ হেল্লে। চাইনাগী ষ্টেটনা চলাইবা গ্লোবেল টাইমসনা সেন্ট্রেল এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ কষ্টমসকী দেটা পল্লদুনা হায়, কুমজা ২০২১দা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈখিবা লল্লোন-ইতিক্কী ভোল্যুম অসি য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১২৫.৬৬ য়ৌদুনা কুমজা ২০২০দা লৈখিবদুদগী চাদা ৪৩.৩ হেনগৎখি। চাইনানা জন্যুৱারীদগীনা দিসেম্বর থা ফাওবদা ইন্দিয়াদা এক্সপোর্ট তৌবগী চাং চাদা ৪৬.২ হেনগৎতুনা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৯৭.৫২ য়ৌখি। ইন্দিয়ানা চাইনাদা এক্সপোর্ট তৌবগী চাংসু চাদা ৩৪.২ হেনগৎতুনা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ২৮.১৪ য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী ট্রেদ দেফিসিট কুমজা ২০২১দা দোল্লর বিলিয়ন ৬৯.৩৮দা হেনগৎলকখি। ইন্দিয়ানা চহী ১০ হেন্না চাইনাগা লল্লোন-ইতিক তৌবদা দেফিসিট হেনগৎলকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি অমসুং বৈজিংদা চাইনিজ মার্কেটতা ইন্দিয়াগী আই টি অমসুং ফার্মাস্যুটিকেল পোখোকশিং চঙহন্নবা তকশিনখি।

ওবজার্ভরশিংনা হায় মদুদি, চহী অসিদা হায়বদি ২০২১দা চাইনানা ইন্দিয়াদা এক্সপোর্ট তৌবা হেনগৎখিবসি কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অমসুং ইন্দিয়াদা ভাইরস অসিগী লাইচৎ হঞ্জিন হঞ্জিন্না থোকপনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী থবক কনখৎলক্লিবা ফার্মাস্যুটিকেল ইন্দষ্ট্রিগী মচাক মথুমশিং অমসুং মেদিকেলগী পোখোকশিং ইম্পোর্ট তৌখিবদগীনি।

ইষ্টর্ন লদাখতা লেপ্পুনা উংখৎনবা লৈবনা মরম ওইদুনা নাকল অনীগী মরী ফীভম শোকপা অসিনা বাইলেটরেল লল্লোন-ইতিক্কী চাং য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১০০ হেল্লবা ফাওবদা নাকল অনীমক্লা হরাও-তয়াম্বগী ইঙ্গিৎশিং পীনবা উখিদে।

# চাইনাদা অরোন-অথুপশিং পীথোক্লম্বগী কেসতা ঈ দিনা জর্নেলিষ্ট রজীভকী প্রোপর্টিশিং ফাজিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিংগী কেস অমগা মরী লৈননা চাইনাদা ইন্দিয়াগী অরোন-অথুপশিং নারোন্দা পীথোক্লম্বগী মরাল শীরবা জর্নেলিষ্ট রজীভ শর্ম্মগী লুপা লাখ ৪৮.২১ লোমগী ওইগদবা এসেটশিং ফাজিল্লে হায়না ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না থাংজ নুমীৎতা ফোঙদোরক্লি।




শেলগীদমক্তগা ইন্দিয়াগী অরোন-অথুপ কয়া চাইনাদা লোন্না খঙহল্লম্বগী মরালদা শর্ম্মবু স্পেসল সেলনা ফাখি। স্পেসল সেলদা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আরদা য়ুন্ফম ওইরগা মতুং তাবদা ঈ দিনসু মনি লোন্দরিংগী কেস অমা লৌখৎখি। ঈ দিনা ফাজিনখিবা এসেট অদু ন্যু দেল্লীগী পিটম্পুরাদা রজীভ শর্ম্মগী মিংদা লৈবা রেসিদেন্সিএল প্রোপর্টিনি।

ঈ দিগী ওফিসল অমনা হায়, ইন্দিয়ন পেনাল কোদ অমসুং ওফিসল সেক্রেটস এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মখাদা রজীভ শর্ম্মগী মায়োক্তা দেল্লী পুলিসনা ফাইল তৌখিবা এফ আই আর অমসুং চার্জশীটতা য়ুন্ফম ওইরগা ঈ দিনা মনি লোন্দরিংগা মরী লৈনবা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখি।

পি এম এল এগী মখাদা ঈ দিনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা অদুদা রজীভ শর্ম্মনা শেলগীদমক্তা চাইনিজ ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিংদা ইন্দিয়াগী অরোনবা অমসুং মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়া সপ্লায় তৌদুনা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি অমসুং নেসনল ইন্টরেষ্ট কমপ্রোমাইজ তৌখি হায়বসি খঙলকখি।

ইনভেষ্টিগেসন অদুদা রজীভ শর্ম্মদা শেল পীরিবদু ঝাং চেং এলিয়স সুরজ, ঝাং লিক্সিয়া এলিয়স উশা অমসুং কিং সি কৌবা চাইনিজ নেসনলশিং অমদি শের সিংহ এলিয়স রাজ বোহারা কৌবা নেপালি নেসনল অমনা চলাইবা মহিপালপুরদা বেজ তৌবা সেল কম্পনি অমগী খুথাংদা পাঙথোকখি হায়বসিসু খঙখি।

চাইনিজ কম্পনি অসি চাইনিজ ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা ক্রিমিনেল এক্টিভিটি কয়া চথরিবা রাজীভ শর্ম্মগুম্বা মীওইশিংদা রিম্যুনরেসন পীনবগী পাম্বে অমা ওইনা শীজিন্নরমখি। পীরিবা রিম্যুনরেসন অদু করিয়রশিং অমদি কেশ দিপোজিটশিংগী খুথাংদা শেল ওইনা পীরমখি। শর্ম্মনা মহাক্কী মরুপকী বেঙ্ক একাউন্ট শীজিন্নরগা শেল লৌবসু য়াওরমখি।

# পঞ্জাবকী হান্নগী কোংগ্রেস মিনিষ্টর এ এ পিদা য়াওখ্রে

চান্দিগর, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): এসেমব্লী মীখলগী মাঙওইননা পঞ্জাবকী হান্নগী মিনিষ্টর জোগিন্দর সিংহ মান থাংজ নুমীৎতা আম অদামি পার্টি (এ এ পি)দা য়াওশিনখ্রে। মহাক মশাগী চহী ৫০ শুরবা লুচিংবা অসি ইরাই নুমীৎতা কোংগ্রেসতগী তোকখিবনি।

এ এ পি লিদর অমসুং পঞ্জাব কো-ইন চার্জ রাঘব চানা হায়খি মদুদি, মাননা এ এ পিদা য়াওরকপা অসিনা ষ্টেট অসিদা পার্টিগী ফীভম ফগৎহল্লগনি। আর্বিন্দ জিগী মীৎয়েংনা ইথিল পীরবা পঞ্জাবকী হান্নগী কেবিনেট মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ অহুম্লক ওইরবা জোগিন্দর সিংহ মান জি কোংগ্রেসকা চহী ৫০ শম্নরক্লবা মতুং পার্টি অসি থাদোক্লগা এ এ পিদা য়াওরে। মহাক পঞ্জাব এগ্রো ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পকী চ্যেরমেননি হায়না চানা ফোঙদোকখি।

ত্বিট অমদা চাদানা হায়, জোগিন্দরনা এ এ পিদা য়াওরকপা অসিনা পার্টি অসিগী পঞ্জাবকী য়ুনিটকী মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। মাননা পার্টিগী নেসনল কনভেনর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মমাঙদা এ এ পি য়াওবগী ফোটো অমসু থাগৎখি। কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীদা ইবা পার্টি অসি থাদোকপগী চেরোল অমদা জোগিন্দরনা হায়খি মদুদি, মহাক কোংগ্রেসমেন অমা ওইনা শিজবা পাম্বগী মঙলান অমা লৈখিবনি।

# কোভিদনা মরম ওইদুনা সিভিক বোদি ৪গী মীখল য়েথোকখ্রে

কোলকাটা, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা কোভিদ কেসশিং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা মীখল য়েথোক্লবা কলকাটা হায় কোর্টনা পীবা রেকমেন্দেসন য়ারদুনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন (এস ঈ সী)না মীখলগী মমাঙগী তারিখশিং কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং মীখল অদু ফেব্রুৱারী ১২দা ওইনা পাঙথোল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কম্মিসননা মমাঙদা অসানসোল, বিধাননগর, সিলিগুরি অমসুং চন্দননগর য়াওনা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন মরিগী মীখল জন্যুৱারী ২২দা পাঙথোল্লগনি অমসুং রিজল্টনা জন্যুৱারী ২৫দা লাউথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। হৌজিক সিভিক বোদি মরি অসিগী মীখল কোর্টকী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না



ফেব্রুৱারী ১২দা পাঙথোল্লগনি। অদুম ওইনমক কম্মিসন্না ভোট মশীং থিবগী তারিখতি লাউথোরক্ত্রি।

ষ্টেট অসিগী কোভিদকী ফীভম খন্নদুনা অতোপ্পা চয়োল মরিদগীনা তরুক ফাওবা য়েথোক্লবা এস ঈ সীনা ৱারেপ লৌরকপদা ওবজেক্সন অমত্তা লৈরোই হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমীৎকী অয়ুক্তা কম্মিসনদা লেট্টর অমা ইদুনা খঙহনখিবা মতুংদা মীখল য়েথোকপগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি। কম্মিসনগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোরকপদা, ফেব্রুৱারীগী অরোইবা শরুক্তা মখোয়না অতে ম্যুনিসিপালিটিশিংগী মীখল পাঙথোকপা পাম্মী। হৌজিক ম্যুনিসিপালিটি ১০৭ অমসুং হাওরা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল ফেব্রুৱারী ২২দা পাঙথোল্লবা য়াই।

কম্মিসনগী ছোর্সশিংনা মখা তানা হায় মদুদি, মীখলগা মরী লৈনবা মোদেলিটিশিং অমসুং অতে হীরমশিংগী মতাংদা লেপ্পনবা পোল পেনেল অসিনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকা ৱারী শানরবা য়াই। এস ঈ সীগী ওফিসল অমনা হায়, মীখলগী তারিখ য়েথোকপদনি। ঐখোয়না অতে মোদেলিটিশিংগা মরী লৈননা মখা তানা থবক তৌগনি অমসুং অকুপ্পশিং য়াম্না থুনা লাউথোল্লগনি। মীখল য়েথোকপগী ৱারেপ অসি কলকাটা হায় কোর্টতা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকপদগী লাকপনি।

# এস পিগা মীচঙ চুংশিন্নরোই

লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লী মীখলদা সমাজৱাদি পার্টি (এস পি)গা মহাক্না পার্টিগা মীচঙ চুংশিন্নরোই হায়না অজাদ সমাজ পার্টি (এ এস পি)গী চীফ চন্দ্রসেখর অজাদনা থাংজ নুমীৎতা লাউথোকখ্রে।

এস পিগী চীফ অখিলেস যাদবনা মহাকপু ঈকায়বা পীখি হায়না অজাদনা ক্লেম তৌখি। প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংলদুনা অজাদনা হায়খি মদুদি, থা অমা হেন্না পার্টি অনী এল্লাইয়েন্স শেম্নবা ৱারী শানদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং হান্নদগী মচোই মচোই তান্নদুনা লাক্লবা ওপোজিসন কাঙবুশিং হৌজিকসু পুনশিন্নবা য়াদ্রবদি মখোয়না মীচঙ চুংশিন্নদনা মীখল কন্টেষ্ট তৌগনি। থা অমা হেন্না ৱারী শানরক্লবা মতুংদা অখিলেস যাদবনা দলিটশিং মথৌ তাদে হায়বসি ঐহাক্না খঙলকখি। অসিগুম্বা এল্লাইয়েন্স অমা শেল্লকপা মতমদা অখিলেসতা দলিট লুচিংবশিংগী মফম লৈতে। মহাক্না পাল্লিবদি দলিটশিংনা মহাক্কী পার্টিদা ভোট পীবা অদুনি।

দলিট খূদিংমক্কা কিনরিবদি করিগুম্বা অখিলেসকী পার্টিনা পৱার পায়রকপা তারবদি দলিট পুম্নমক এক্সপ্লোইট তৌখিগনি হায়বসিনি। বাহুজন সোসাইটিবু অখিলেসনা ঈকায়বা পীরি। দলিট অমসুং বেকৱার্দ ক্লাসশিংগী রিজার্ভেসনগা মরী লৈননা য়ানদবসু লৈ হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখি।

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯝ ꯁꯥꯒꯩ ꯑꯄꯨꯅꯕ ꯂꯨꯞ

## সগোলসেম শাগৈ অপূনবা লূপ

### শাগৈগী মীফম য়ৈথোক্লে

মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা খুন্দারিবা সগোলসেম শাগৈগী শাগৈচাশিংগী অপূনবা মীফম অমা চৎলিবা চৈচৎ ১৬-০১-২০২২ ইং, ৱাকচিংগী ১৪নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা তৌবুল মখা লৈকায়দা লৈবা সগোলসেম কুল্লবিধু সিংহগী য়ুমদা পাঙথোকচগনি হায়না তৌরম্বদু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। ৱারেপ অসি লমদমসিদা ঙসি-ঙসিমক্কী লেপ্পুনা হেনগৎলক্লিবা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাংচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লূপসিগী এদভাইজর অমসুং এগজিক্যুটিভ বোদিগী অথুবা মীফম অমা হৌখিবা চৈচৎ ১৪-০১-২০২২ ইংদা লূপকী ওফিসতা ফমদুনা লৌখিবনি। মথং ফমগদবা শাগৈসিগী মীফমগী নুমীৎ অমসুং মতম লূপসিগী এদভাইজর অমসুং এগজিক্যুটিভ বোদিগী মীফম অমমুক ফল্লবা মতুংদা লূপসিগী শাগৈচাশিং অমসুং মীয়ামদা লাউথোকচগনি। কল্লবা লায়না লাইচৎসিনা মরম ওইদুনা মীফম য়ৈথোকপসিগীদমক মরী লৈনবা মীওই খূদিংমক্কা ঙাকপীগনি।

পাউজেঞ্জরিবা : **সগোলসেম কুল্লবিধু সিংহ**
**সেক্রেটরি, সগোলসেম শাগৈ অপূনবা লূপ**
**কন্টেক্ট নম্বর ১) ৮৭৯৪৫৮৩৭৫১**
**২) ৭০০৫৩১১৫০২**
HL-P/1429/16

# বোর্দরগী ফীভম হোংহন্নবা হোৎনরকপা আর্মিনা মায় পাকহল্লোই

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী বোর্দর পরিংগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম হোংহন্নবা নাকল নাম্মানা হোৎনরকপা তারবদি মদু ইন্দিয়ন আর্মিনা মায় পাকহল্লোই হায়না ফোর্স অসিগী চীফ জেনরেল এম এম নরাভানেনা ফোঙদোকখ্রে।

জেনরেল নরাভানেনা ৱাফম অসি আর্মি দেগী মাঙওইননা চাইনাদা ৱার্নিং তৌরদুনা ফোঙদোকখিবনি। আর্মি দেগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা জেনরেল নরাভানেনা হায়খি, লৈবাক অসিগী বোর্দর পরিংগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম নাকল অমদগী হোংদোক্লবা হোৎনরকপা খূদিংমক আর্মিনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা থেংনগনি। অসিগুম্বা থৌরাংশিংদা ঐখোয়না থুনা পাউখুম পীদুনা থৌওংশিং অদু করি ফীভমদা লাকপগে হায়বদু মমাঙদা থোকখিবা কয়াদা উৎখিবগুম উৎকনি।



হৌজিক চাইনাগা মুক্কবগী ফীভমগী মতাংদা আর্মি চীফ অসিনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহী অসি আর্মিগী ওইনদি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইখি। তোঙান তোঙানবা থাকশিংদা পুন্না হোৎনমিন্নবদগী মফম কয়াদা নাকল অনীনা লান্মী অমদি খুৎলায়শিং হন্দোক্লখি। মসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি। বোর্দরগী ফীভম কন্ট্রোল তৌনবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা হন্দক্তা ১৪শুবা রাউন্দগী মিলিটরি থাক্কী ৱারী শানখি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা থা ২২ চুপ্না বোর্দরদা মুক্কদুনা লাকখিবনি।

# হূ চেনবা য়ু থক্লুবদগী ৪ শিরে

পাটনা, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): বিহারগী নালন্দা দিষ্ট্রিক্টতা হূ চেনবা য়ু থক্লুবদগী য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং অতে মীওই অহুম ফীভম লুনা নারে হায়রি।

লৈখিদ্রবশিং অদুগী ইমুংগী মীওইশিংনা ক্লেম তৌখি মদুদি, মখোয় ইরাই নুমীৎকী নুংথিলদা মফম অদুদা শুংবা য়ু থকখি অমসুং মখোয়গী ফীভম নুমীদাং অথেংবদা লুশিল্লকখি। ভিক্টিমশিং অদুগী মনুংদা অমগী মরী-মতা ওইবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মানা কৌবা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা মীওই অসি লোকল য়ু থক্লুরবা মতুং য়ুমদা হল্লকখি। মহাক্কী হকচাংগী ফীভম নুমীদাং অথেংবা পুং ১১ রোম তাবদা শোকচিল্লকখি। মহাকপু সদর হোস্পিটালদা খুদক্তা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক লায়েং চথরিঙৈ নোংঙাল্লমদাই পুং ৪ রোম তাবদা শিখি। হৌখিবা থা কয়ারোম চোরি পহারি এরিয়াদা কন্ট্রিয়ু শুংলকখি হায়না মীওই অসিনা ফোঙদোরকখি। অতোপ্পা ভিক্টিমশিংসু মশক খঙবা ঙমখ্রে। ৪শুবা ভিক্টিম অদুদি মশক খঙবা ঙমদ্রি। ফীভম থিনা নারবা মীওইশিং সদর হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। থৌদোক অদু সী এম নিতিস কুমারগী হোম দিষ্ট্রিক্ট নালন্দগী চোতি পহারি লোকেল্লিটিদা থোকখিবনি।

# টেস্লাগী 'দুকান' লিংখৎনবা হায়খ্রে

হায়দ্রবাদ, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী): টি আর এসকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে টি রামা রাওনা টেস্লাগী সী ঈ ও ইলোন মস্কতা তেলঙ্গনাদা টেস্লাগী দুকান অমা লিংখৎনবা ইনভাইট তৌখ্রে।

টেস্লাগী সী ঈ ও অসিনা ইন্দিয়ন মার্কেটতা মহাক্কী ইলেক্ট্রিক কার পুশিনবদা চেলেঞ্জ কয়া লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নুমীৎ খরনিগী মনুংদা রামা রাওনা বিলিনিয়র বিজিনেসমেন অসিদা তেলঙ্গনাদা টেস্লাগী দুকান লিংখৎনবা ইনভাইট তৌখিবনি। ইলোন মস্কতা এদ্রেস তৌবা ত্বিট অমদা রাওনা মহাক ইন্দিয়াগী তেলঙ্গনা ষ্টেটকী ইন্দষ্ট্রি এন্দ কম্মর্স মিনিষ্টরনি অমসুং ইন্দিয়া/তেলঙ্গনাদা শিংনবা কয়াগী মরক্তা টেস্লাগা খুৎশম্নরগা পার্টনর্শিপতা থবক তৌবা পাম্মী হায়খি।

শগোলশেল নুমীৎতা মস্কনা ত্বিট অমগী খুথাংদা মহাক্কী ঈ ভি-মেকর টেস্লানা ইন্দিয়াদা কম্পনি অসিগী কার লোঞ্চ তৌবদা শিংনবা কয়া মায়োক্লুরি হায়খিবনি। মস্কনা মখা তানা হায়খি মদুদি, হৌজিক ইন্দিয়াদা টেস্লাগী কারশিং চঙহনবা য়ানবা গভর্ণমেন্টকা চেলেঞ্জ কয়া লাকহৎনবগী মতাংদা ৱারী শানরি। টেস্লানা ইন্দিয়াদা ইম্পোর্টেদ কারশিং য়োনবা হৌবা পাম্লবসু লৈবাক অসিদা লৌরিবা টেক্সশিং মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবশিংগী মনুং চল্লি হায়রি। য়ু এসতা দোল্লর ৩৯,৯৯০ পীবা টেস্লা মোদেল থ্রী অসি মমল হোংবা মোদেল অমনি হায়না লৌনরবসু ইন্দিয়ন মার্কেটতা ইম্পোর্ট দ্যুটিশিং য়াওরগা লুপা লালখ ৬০ রোম ওইরবা য়াই।

## ꯏꯉꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

মৈতৈ লাঙ্গোলদা লম্বীগা হেক তাইনবদা লৈবা ফুট 59 শাংবা 36 পাকপা ইঙ্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইনা মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/1415/14,16 **Contact - 8794277590**

## খুমুকচম শাগৈগী অপোকপা খুরুম্বগী পাউজেঞ্জবা

লাক্লিবা জন্যুৱারীগী তাং ২৪-১-২২ ৱাকচিংগী ২১নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎ অসিদা চাকলোন কৎপগী নুমীৎ থোক্লে। নুমীৎ অসিদা শাগৈচাশিংনা লেঙবীরক্তুনা অপোকপা লাইগী থৌগল তৌমিন্নসি হায়না পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা ঃ **খুমুকচম শাগৈ অপোকপা লাই কমিটি**
বাশিখোং, ফোন ঃ 9862274609
HL-P/1430/16

## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

Manipur Government Service তগী পোখারবা অদুগা পোখারগদবা Pensioner শিংগী ফংফম থোকপা leave encashment commutation নচিংবা ফংদনা লৈরিবা অদুগা commutation গী শেনফম পীথোক্ত্রিঙৈদা হান্না ককপনচিংবা Pension ফংদ্রিবা মীওইশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা লাক্লিবা তাং ১৮/০১/২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা নুমীৎকী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা Manipur State Pensioners Union গী ওফিসতা পাঙথোল্লগনি। মসিদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা condition শিং অসি মায়োক্লুবা য়াওবীরবদি ওফিসতা লাকপীদুনা খন্ন-নৈনবা য়াওবীরনবা নীংশিংজরি।

**Sd/- Dr. M. Rajendra Singh**
President,
Manipur State Pensioners Union (MSPU)
HL-P/1428/16

## ꯑꯜꯂꯥꯍꯅ ꯆꯥꯟꯕꯤꯁꯅꯨ / ALLAHNA CHANBISANU



SUDHAKAR (SHAMU)

Sagolband Khamnam Leirak, Imphal (I.T.I) manakta leiba nungi layengba baba Nabakishore Padma Shri Awardee (Medicine)gi Machanupa Laishram Sudhakar (Shamu) Herbal Physician Specialised in Urinary Stone na Babagi mahut shinduna layengbibadagi eigi Kidney da leiba nung tahanbire. Masigidamakta nungaijaduna ebung Sudhakarbu Paochegi thongda nungaiba phongdokchari. Mahakpu mapunashu chanbiba oirasanu. Aamin.

Sd/- **Reshma Sheikh**
Kiyamgei Takhok Mapa
HL-P/1411/14,15,16

## OFFICE OF THE MANIPUR FOOD AND MEDICINAL PLANTS PROCESSING AND COLD STORAGE CO-OPERATIVE SOCIETY LTD. LAMPHELPAT KOMBIREI ROAD IMPHAL

### SPECIAL GENERAL BODY MEETING NOTICE

Imphal, the 12th January, 2022

**No.2/AGM/MFPCS/18:** Notice is hereby informed to all members of the Manipur Food and Medicinal Plants Processing and Cold Storage Cooperative Society Ltd that a Special General Body Meeting of the Society will be held on Friday, the 28th January, 2022 at 11.30 a.m. onward at the Society premises to discuss the following agenda.

***Agenda :***

1. Bye-Laws amendment of the Society
2. Misc.

I, therefore request you to make convenient to attend the meeting on time without fail.

Sd/- **G. Rajenkumar Rongmei**
Managing Director
HL-P/1427/16

**/পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ য়াম্না তোয়না চৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ য়াম্না তোয়না চৎমন্দনা অমাংথোঙদা নাবা, শাগৎপা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা য়াম্না চিকপা-নাবা, মরক-মরক্তা খোঙ নাম্মা শিথবগুম তৌরকপা অদু অমুক ফখিবা, কোক ঙাওবা অমদি চিকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, পূকচেপ অনীমক নারগা, পূকচেপ মনুংদা চক-চক থিনবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা মতম কুইনা নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পূক চপ তিংবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ য়াম্না তোয়না-তোয়না চৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ য়াম্না চৎপনা মরম ওইদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎলগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু হামেং মথিগুম্বা মরূ-মরূ খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, চাশিল্লিবমখৈ য়াবা, খোঙ হাম্বা খজিক্তং ওইনা হাম্বা ঐনা চাশিল্লিদুগা খেন্নবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা চিকপা-নাবা, মরক-মরক্তা খ্বাঙ নাবা অদু শিথগে তৌরকপা অদুগা অমুক ফরগা অমুক হৌরকপা, কোক ঙাওবা অমদি চিকপা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, নময়াং মরিন অসিসু চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু মনাঙগা লোয়নন্না খজিক্তং হাম্লকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, পূকচেপ অনীমক নারগা পূকচেপ মনুংদা চক-চক থিল্লগা নাবা, কল্লাক মরী নাবা, মসলশিং অসিসু চিকপা-নাবা, খোঙয়া শাবা, হকচাং অসি ইশোন্তা শোন্থরগা লৈবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **M. Premchand Meitei**
Salangpham
HL-B/7385/16

## ৱাইশেনগী প্রেস ষ্টেটমেন্ট

হৌখিবা তাং ১১/১/২০২২ ইংদা "দি টুয়েন্টি সেঞ্চুরি ক্লব" চিংথাম লৈকাইগী কনফরেন্স হোলদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী ফাওনা চেল্লিবা কেন্দ্রসিগী খ্বাইদগী মরুওইরবা ৱাইশেল ঈশিং-ঈরমসিবু নীংথিজনা থম্নবা অমদি মহৌশাগী খূৎশেমবুসু কন্নবগীদমক শ্রী সোরাইসম গোবিন্দ সিংহ, সোসিয়েল ৱার্কর, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীনা চীফ গেষ্ট ওইবীদুনা **"দি কম্মিটি ওফ নাওরিয়া পাখংলাকপা ফোর ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লূপ"**গী নৌনা রিনোভেসন তৌদুনা থবক পুবা ঙমগদবা ওফিস বিয়াররশিং ১৫ খনগৎতুনা হাপখ্রে। মখোয়শিং অদুবু ষ্টর্লিং-কম্মিটি ওফ ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লূপকী চ্যেরমেন (লূপসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্টসু ওইবীরিবা) শ্রী থৌনাওজম জোতিন সিংহনা প্রিসাইদ তৌবীদুনা খূদক্তগী মরী লৈনবা চার্জশিংসু পীখ্রে। মখোয়শিং অদুদি ঃ-

| | | | |
|---|---|---|---|
| (১) | প্রসিদেন্ট | ঃ | চিংথাম সান্তকুমার, এদভাইজর, দি টুয়েন্টি সেঞ্চুরি ক্লব, চিংথাম লৈকাই। |
| (২) | ভাইস প্রসিদেন্ট | ঃ | লোইতোংবম দোরেন্দ্র, জেনরেল মেম্বর, দি অপূনবা নহারোল শক্তি (অন্স), কোঞ্জেং লৈকাই। |
| (৩) | জেনরেল সেক্রেটরি | ঃ | আর.কে. আইনসনা, প্রসিদেন্ট, দি টুয়েন্টি সেঞ্চুরি ক্লব, চিংথাম লৈকাই। |
| (৪) | এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি | ঃ | অকোইজম বালেশ্বর, জেনরেল সেক্রেটরি, দি সোসিয়েল এদ্যুকেসনেল ৱেলফ্যের এসোসিএসন (সেৱা), নিংঙোম্বম। |
| (৫) | এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি | ঃ | গুরুময়ুম রাজেন্দ্রজিৎ, জেনরেল মেম্বর, দি মণিপুর য়ং এসোসিএসন কোঞ্জেং লৈকাই। |
| (৬) | সেক্রেটরি ফাইনান্স | ঃ | অহোংশাংবম অজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরি, দি দেমোক্রেটিক এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (দেকা), লৌরেম্বম লৈকাই মনিং। |
| (৭) | এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ফাইনান্স | ঃ | সোইবম একাচন্দ্র, জেনরেল সেক্রেটরি, দি টুয়েন্টি সেঞ্চুরি ক্লব, চিংথাম লৈকাই। |
| (৮) | সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন | ঃ | মাইবম সোকিন্দ্রো, হৈনৌখোংনেম্বী। |
| (৯) | এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন | ঃ | কোঞ্জেংবম সঞ্জিৎকুমার (পাখং), এক্স জেনরেল সেক্রেটরি, দি সেনিয়র ক্লব, কোদোমপোকপী মনিং লৈকাই। |
| (১০) | সেক্রেটরি সোসিয়েল সার্ভিস | ঃ | কোঞ্জেংবম জিতেন, জেনরেল মেম্বর, দি মণিপুর য়ং এসোসিএসন, কোঞ্জেং লৈকাই। |
| (১১) | এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি সোসিয়েল সর্ভিস | ঃ | লোইতোংবম সুন্দর, জেনরেল মেম্বর, দি মল্টিপর্পজ ক্লব, হিয়াংথাং মনিং। |
| (১২) | সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন | ঃ | সিনাম হেরোজিৎ, জেনরেল মেম্বর, দি সাউদর্ন ইম্ফাল য়ুঠ ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (সাইয়ো), মোংশাঙ্গৈ। |
| (১৩) | এসিষ্টেন্ট সেক্রেযরি পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন | ঃ | পেবম নিলকান্ত, জেনরেল মেম্বর, দি সোসিয়েল ৱেলফ্যের য়ং ক্লব, মোংশাঙ্গৈ। |
| (১৪) | সেক্রেটরি সোসিয়েল এন্দ কলচর | ঃ | কোঞ্জেংবম ইবোমচা, জেনরেল সেক্রেটরি, দি নহারোল য়াইফ লমজিং কোল, ইরোম লৈকাই। |
| (১৫) | ইন্টরনেল ওদিটর | ঃ | চুংখাম চন্দ্রসেখর, জেনরেল মেম্বর, দি অপূনবা নহারোল শক্তি (অন্স), কোঞ্জেং লাংপোকলাকপম লৈকাই। |

অতোপ্পা অমনা তাং ১৫/১/২০২২ ইংদা কম্মিটি ওফ কৈশামথোং এ সী ফোর ৱাইশেল মরিল শেমগৎপা লূপকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা নাওরেম প্রেমচান্দবু হাপখিবগা লোয়নন্না ৱার্কিং প্রসিদেন্টগী ফমসু লৈহনখিদ্রে। মসিগীদমক অখন্নবা চেরোল অমসু চ্যেরমেন ষ্টর্লিং কম্মিটিনা থোক্তুনা চার্জ পীখ্রে।

রিলিজদ বাই : **নাওরেম দেবান, মঙাং**
সেক্রেটরি জেনরেল (এ. সী. তরেৎ)
ৱাইশেন মরিল শেমগৎপা লূপ, ইম্ফাল
HL-P/1426/16